HUEIYEN LANPAO

# শ্রী লঙ্কাদা ভেসেল অমা থুংখিবগা মরী লৈননা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা কন্না অৱাই অখুম তৌনখ্রে

কলম্বো, দিসেম্বর ৯ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কাগী খা থংবা পোর্টতা য়ুআন ১.৫ কৌবা চাইনিজ ভেসেল অমা থুংখিবগা মরী লৈননা শ্রী লঙ্কা দা লৈরিবা চাইনিজ এনভোইনা ইন্দিয়াগী মরমদা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিংগী অকনবা পাউখুম পীরদুনা ন্যু দিল্লিনা চাইনিজ এম্বেসেদর অদুগী ৱারোল অদু দিপ্লোমেটিক ইটিকেট খোঙ্গাওনৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিট অমদা শ্রী লঙ্কাদা লৈরিবা ইন্দিয়ন হাই কম্মিসনন থাংজ নুমিত্তা হায়খি, মদুদি চাইনিজ এম্বেসেদরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং ঐখোয়না তারে অমসুং খঙলে। মহাক্না তঙাই ফদনা ঙাকফম থোকপা দিপ্লোমেটিক ইটিকেট খোঙ্গাওনখিবা অসি মশাগী হৈনবী অমা ওইরম্বা য়াই নত্ত্রগা মদুনা লৈবাক্কী ওইবা মীৎয়েং অমা ফোঙদোক্লম্বসু য়াই।

কলম্বোদা লৈরিবা চাইনিজ এনভোই কি জেন হোংনা ইন্দিয়াবু অতম্নগা মমিং পন্দবীদা সেক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমশিংগী মিংদা ইভিদেন্স অমত্তা য়াওদনা মপানদগী অয়েৎ অপন পীরকপা হায়বসি শ্রী লঙ্কাগী সোভরেন্টি অমসুং নিংতম্বদা মপুং ফানা খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।



কি জেন হোংনা ৱাফম অসি অৱাংবা টেক্নোলোজিগী বেলেষ্টিক মিসাইল অমসুং সেটলাইট ট্রেক্কিং জহাজ অদু শ্রী লঙ্কাগী খা থংবা পোর্টতা থুংখিবগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি। জহাজ অদু হান্না ওগষ্ট ১১ দা চাইনানা চল্লাইবা হম্বনটোটা পোর্টতা থুংনবা মতম লেপ্লম্বদগী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সেক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা নুংনাংবা উৎলকপদগী শ্রী লঙ্কানা হায়জদুনা মতম থিন্থখিবনি।

সাইন্টিফিক রিছার্সকী ভেসেলনি হায়বা অমা থুংবগী মতাংদা মহাক্না জিও পোলিটিকেলগী ওইবা মীৎয়েংগা লোয়ননা কম্মেন্ট পীরকপা অসি লাইবক থীবনি হায়না ইন্দিয়ন হাই কম্মিসন্না বৈজিংগী রিপ্রজেন্টেটিবকী কম্মেন্ট অদুগী মতাংদা পাউখুম পীরদুনা হায়খি।

ত্বিটরগী ৱারোল অদুদা ইন্দিয়ন হাই কম্মিসন্না মখা তানা হায়খি, মদুদি চপ চাবা পান্দম লোৎপা অমদি শেন্দোলদা য়ুম্ফম ওইবা এজেন্দা কয়া হৌজিক থেংনরক্লিবসি মরু ওইবা চেলেঞ্জ অমা ওইরক্লে। মসি মরু ওইনা অপীকপা লৈবাকশিংগী ওইনা য়াম্না চুম্লবা ৱাফমনি। হন্দক্তা শ্রী লঙ্কাদা ওইরক্লিবা ফিভমশিং থোইদোক্না চেকশিন্নিংঙাই ওই। শ্রী লঙ্কানা য়াম্না মথৌ তারিবদি লৈবাক অসিবু শেল থুমগী ক্রাইসিস য়াওনা অৱা অনাশিং কোকহনবদা মতেং পাঙবা অদুনি। লৈবাক অসিনা অতোপ্পা লৈবাক্কী অনিংবা অপাম্বশিং থুংহন্নবগীদমক কান্নদবা প্রেসর নত্ত্রগা ৱাথোকশিং মায়োক্লবা পামদে।

ইরাই নুমিত্তা আর্টিকল অমদা চাইনিজ এম্বেসেদর অদুনা হায়খি, মদুদি অৱাং থংবদা লৈবা য়ুমথংনবা লৈবাক্না চহী ১৭ চুপ্না অকন অরিং শীংবগী থৌদৌশিং মায়োক্নরক্লবা শ্রী লঙ্কাগী পুৱারী য়েংখৎপদা লৈবাক অসি চহী ৪৫০ রোম নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কোলোনাইজ তৌখি। লৈবাক অসি চহী ৩০ রোম চুপ্না এন্টি-টেররিজম ৱার চথরক্লবা মতুংদা হৌজিক্তি মালেমদা চাওথোকচবগা লোয়ননা থৌনা লৈনা লেপচবা ঙল্লে।

শ্রী লঙ্কাগী নেসনেল সোভরেন্টি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি খোঙ্গাওনবগী থৌওং খুদিংমক টোলরেট তৌরোই হায়না চাইনিজ এম্বেসেদরনা ত্বিট অদুদা মখা তানা পনখি। চাইনিজ ওফিসলশিংগা শ্রী লঙ্কাগী ওফিসলশিংগা হঞ্জিন হঞ্জিন্না মীফম কয়া চথরবা মতুংদা শ্রী লঙ্কানা জহাজ অদুবু হনবান্টোটা পোর্টতা চঙবা অমদি ওগষ্ট ১৬ তগী ২২ ফাওবা মফম অদুদা লৈবা য়াহনখিবনি। তৌইগুম্বসুং মদু শ্রী লঙ্কাগী এক্সক্লুসিব ইকনোমিক জোন (ই ই জেদ) কী মনুংদা ওটোমেটিক আইদেন্টিফিকেসন সিষ্টেম (এ আই এস) স্বিটচ ওন তৌবগী কন্দিসনদা য়াহনখিবনি।

মসিগা লোয়ননা শ্রী লঙ্কাগী ঈশিংগী শরুক্তা লৈরিঙৈদা জহাজ অদুনা সাইন্টিফিক রিছার্স অমত্তা পাঙথোকপা য়ারোইহায়বা মরু ওইবা কন্দিসন অমসু য়াওখি।

# ইজরেলগী এক্স পিএম নেটনয়াহুনা প্রসিদেন্ট গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মেন্দেটকী মতম শাংদোক্লবা হায়জখ্রে

জেরুসালেম, দিসেম্বর ৯ (এজেন্সী):

ইজরেলগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা প্রসিদেন্ট আইজাক হর্জোক্তা অনৌবা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী মতম শাংদোক্লবা হায়জখ্রে হায়না মহাক্কী লিকুট পার্টিনা ষ্টেটমেন্টদা হায়রি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগীদমক নুমিৎ ১৪ নিগী অহেনবা মতম পীবিনবা লিকুটনা হর্জোক্তা হৌনবী মতুং ইন্না হায়জখ্রে। প্রসিদেন্টগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লিকুটনা হায়জরিবা অদুগী মতাংদা মহাক্কী ৱারেপ লাউথোরকপা লৈত্রি। করিগুম্বা মহাক্না লিকুট পার্টিনা হায়জ রিবদু য়াদবা তারবদি নেটনয়াহুদা পীরিবা নুমিৎ ২৮ নিগী মেন্দেট অদু থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎকী মরক্কী অহিং নোংয়াইদা মতম লোইগদবনি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

প্রসিদেন্টদা পীশিনখিবা অইবা ৱারোল অদুদা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী নিগোসিএসন মপুং ফানা চথুরি অমসুং মসিদা শীংথানিংঙাই ওইনা প্রোগ্রেস লৈরে হায়না পনখি অমসুং মহাক অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগীদমক মখা তানা অহেনবা মতম খরগসু পাম্মী হায়খি।

মিনিষ্টর খরা এপোইন্ট তৌবগী



মতাংদা ইস্যু খরা লৈবনা মরম ওইদুনা অহেনবা মতম অদু মথৌ তারিবনি হায়নসু নেটনয়াহুনা ফোঙদোকখি। শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা লিকুটনা জিৱিষ্ট অল্ট্রা-ওর্থোদোক্স পার্টি অমা ওইরিবা সাসকা ইন্টরিম গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগীদমক য়ানদুনা খুৎয়েক পীনরে হায়না লাউথোকখি।

য়ানখিবগা অসিগা লোয়ননা সিট ১২০ গী পার্লিয়ামেন্টদা মখোয়না মেজোরিটি ওইনা সিট ৬৪ ফঙখিবনি। দিল অদুগী মখাদা সাসকী চিয়ারমেন অরিয়েদেরিনা গভর্ণমেন্টগী টার্মগী অহানবা তঙ্খায় ওইনা ইন্টরিয়র অমসুং হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিশিং পায়গনি। মদুগী মতুংদা ফাইনান্স মিনিষ্টরগী পোজিসন পায়গনি। অদুম ওইনমক কোল্লিসনগী ফাইনেল এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনগদবদু ৱাৎলিবনি।

নেটনয়াহুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অতোপ্পা অল্ট্রা-ওর্থোদোক্স পার্টি য়ুনাইটেদ টোরা জুদাইজমগা ইন্টরিম কোল্লিসন এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখি। মসিদা নত্তনা মহাক্না অল্ট্রা-নেসনেলিষ্ট পার্টি অহুম হায়বদি রিলিজস জিওনিজম, জিৱিষ্ট পৱর অমসুং নোমগসু কোল্লিসনগী এগ্রিমেন্টশিং খুৎয়েক পীনখ্রবনি।

ইজরেলগী মতম খ্বাইদগী শাংনা পৱার পায়রকখিবা লূচিংবা নেটনয়াহু মমাঙদা লৈঙাক্কী পৱারদগী চিংথুখিবা মতুং চহী অমমখায়রোম কান্নরগা অমুক হন্না পৱার পায়ননবা শেম শাবা ঙমখি। মদু নবেম্বর ১ দা পাঙথোকখিবা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা মহাক অমসুং মহাক্কী ফার রাইট পার্টনরশিংনা মেজোরিটি ফঙখিবদগীনি।

# সেংগেন এরিয়ানা ক্রোএসিয়াবু তরাম্না ওকখ্রে বুলগেরিয়া অমসুং রোমানিয়াবুদি য়াখিদ্রে

ব্রাসেলস, দিসেম্বর ৯ (এজেন্সী):

সেংগেন এরিয়ানা ক্রোএসিয়াবু তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসি জনুৱারী ১, ২০২৩ দগী ভিজা ফ্রি ওইবা সেংগেন এরিয়াগী ২৭ শুবা মেম্বর ষ্টেট ওইরগনি হায়না ইয়ুগী ওফিসলশিংনা লাউথোকখ্রে। অদুম ওইনমক রোমানিয়া অমসুং বুলগেরিয়াবুদি সেংগেন এরিয়াদা এদমিট তৌখিদ্রে।

ইয়ুগী ইন্টরিয়র এফিয়র্স মিনিষ্টরশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা চেক রিপব্লিক্কী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর বিট রাকুসাননা হায়খি, মদুদি চেক রিপব্লিক্না প্রসিদেন্সি পায়রিঙৈ মনুংদা ক্রোএসিয়ানা য়ুরো অমসুং সেংগেন এরিয়া অনীমক্তা য়াওদুনা য়ুরোপিয়ন ইন্টিগ্রেসনদা মরু ওইবা খোঙথাং অনী লৌখৎপা ঙমখিবসিদা ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইবা পোকই।

চেক রিপব্লিক্না হৌজিক ইয়ুগী কাউন্সিলগী প্রসিদেন্সি পায়রিবনি। ফম অসি থা তরুক খন্নরগা পাল্লি নাইনা পায়নবনি। য়ুরোপিয়ন কম্মিস্নর ফোর হোম এফিয়র্স য়িলবা জোহান্সননা হায়খি, ঙসি অসি ক্রোএসিয়াগী সিটিজনশিংগী ওইনদি য়াম্না ফরবা নুমিৎনি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু সেংগেনদা তরাম্না ওক্লি। ক্রোএসিয়ানা চখোক চৎশিনদা



ফ্রি ওইবা এরিয়া অসিদা চঙলকপা হায়বসি কুমজা ২০২৩ গী জনুৱারী ১ দগী ক্রোএসিয়া অমসুং সেংগেন এরিয়াগী অতৈ লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈরিবা কংফাল অমসুং সমুদ্রগী বোর্দরশিংদা সিটিজনশিংদা চেক তৌরম্বদু লেপ্লগনি। ইন্টর্নেল এয়র বোর্দরশিংদা তৌরম্বা চেকশিং অদুসু কুমজা ২০২৩ গী মার্চ ২৬ তগী লেপ্লগনি। অদুম ওইনমক রোমানিয়া অমসুং বুলগেরিয়াবু সেংগেনদা য়াওহনবগী ৱাফম পাক শন্না শৌগৎনখিবা ওইরবসু লৈবাক অনী অসি ভিজা ফ্রি ওইবা এরিয়া অসিদা এদমিট তৌখিদ্রে।

ওষ্ট্রিয়াগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর গেরহাদ কার্নরনা ফোঙদোকখিবদা সেক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মখোয়না সেংগেন এরিয়াগী মেম্বরশিং ওইবগী ৱাফম অসিবু ঐহাক্না য়াখিদবনি। চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা ভিএনাগী ওথোরিটিশিংনা ইল্লিগেল বোর্দর ক্রোসিং ১০০,০০০ রেকোর্দ তৌখ্রে।

চৈরকসিদা নেদরলেন্সনসু করপসন অমসুং মাইগ্রেসনগী ওইবা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা বুলগেরিয়ানা সেংগেন এরিয়াদা য়াওবগী ৱাফম ওপোজ তৌখ্রে। অদুম ওইনমক রুকুসাননা বুলগেরিয়া অমসুং রোমানিয়াগী সেংগেনগী মেম্বরশিং ওইননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়না মহাক্না থাজে হায়খি।

# ইয়ুগী অথিংবা মরক্তা ওইল ভেসেল ১৫ ব্লোক তৌখ্রে

অঙ্কারা, দিসেম্বর ৯ (এজেন্সী):

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) না রসিয়াগী থাউদা অথিংবা কয়া থল্লিঙৈ মরক্তা ইন্সুরেন্স য়াওদবগীদমক্তা টর্কিজ ষ্ট্রেটসতা ফাওরকপা ওইল টেঙ্কর ১৫ ব্লোক তৌখ্রে হায়না টর্কিগী মেরিটাইম ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইয়ুগী অথিংবশিং অদুনা মরম ওইদুনা জহাজশিং অসিগী প্রোটেক্সন এন্দ ইনদেমনিটি (পি এন আই) ইনভেলিদ ওইরে অমসুং এক্সিদেন্ট অমা থোক্লকপা মতমদা অসিগুম্বা ইন্সুরেন্স কম্পেনসেট তৌবা য়ারোই হায়না শগোলশেল নুমিত্তা টর্কিজ জেনরেল দিরেক্তরেট ওফ মেরিটাইম এফিয়র্সনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, ভেলিদ ওইবা পি এন আই ইন্সুরেন্স ওফর তৌবা ঙমদবা ক্রুদ ওইল টেঙ্করশিং টর্কিজ ষ্ট্রেটস ফাওদুনা চৎপা য়াহল্লোই অমসুং রুল অসি কুমজা ২০০২ দগী চৎনরক্লবনি। মতিক চাবা ইন্সুরেন্স লেটরশিং য়াওদবা ওইল টেঙ্করশিং মখা তানা ব্লোক তৌখিগনি।

ওথোরিটি অসিনা হায়, য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা লৌখিবা ৱারেপশিং নত্তনা টর্কিনা অতৈ লৈবাকশিং অমসুং ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসনশিংগী অথিংবা থম্বগী ৱারেপশিং তঙাই ফদনা ইমপ্লিমেন্ট



তৌগনি হায়বা লৈতে। অদুম ওইনমক অথিংবা থমখ্রবা জহাজ নত্ত্রগা কার্গো অমা টর্কিজ ষ্ট্রেটস ফাওদুনা চৎপা মতমদা শাথিরবা এক্সিদেন্ট অমা থোক্লকপা তারবদি ইন্সুরেন্স কম্পেনিনা লৌবা ঙল্লোইদবা থৌদাং অদু টর্কিনসু লৌবা ঙল্লোই।

হৌখিবা দিসেম্বর ১দগী টর্কিনা টর্কিজ ষ্ট্রেটস ফাওদুনা চৎলিবা ক্রুদ ওইল টেঙ্করশিং ইন্সুরেন্স মতিক চানা য়াওৱা হায়বদু কনফার্ম তৌরক্লবা টর্কিনা ইন্সুরেন্স কম্পেনিশিংদা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তদগী চৎনবা হৌখিবা রসিয়াগী থাউদা থল্লিবা ইয়ুগী অথিংবশিং অদুনা রসিয়াগী ক্রুদ ওইল পুরিবা টেঙ্করশিং ওইল অদু ভেরেলদা দোল্লর ৬০ নত্ত্রগা মসিদগী তানা য়োনবা নত্ত্রবদি য়ুরোপিয়ন মেরিটাইম ইন্সুরেন্সকী কান্নবা লৌবা য়াহন্দ্রিবনি।

# য়ুকে, ইটালি অমসুং জপান পুল্লগা অনৌবা ফাইটর জেট অমা পুথোক্লগনি

লন্দন, দিসেম্বর ৯ (এজেন্সী):

য়ুকে, ইটালি অমসুং জপানগী মরক্তা কোল্লাবোরেসন তৌনদুনা আর্টিফিসল ইন্টলিজেন্স শীজিন্নবা অনৌবা ফাইটর জেট অমা পুথোক্লগনি হায়না য়ুকেগী প্রাইম মিনিষ্টর রিসি সুনাক্না লাউথোকখ্রে।

কুমজা ২০৩০ গী মতুং চহী পরিংগী ময়াই চনবা শরুক্তা সার্ভিসতা চঙহনবগী পান্দম লৈবা মথং জেনরেসনগী ফাইটর অদু লৈবাকশিং অসিনা পুথোকপগা লোয়ননা মদুনা টাইফুন জেটকী মহুৎ শিনগনি হায়রি।

অনৌবা টেম্পেজ জেট অদুনা খ্বাইদগী নৌবা খুৎলায়শিং পুবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা বৃটিস পিএম অসিনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর সুনাক্না ইরাই নুমিত্তা লিঙ্কনসিয়রদা লৈবা আর এ এফ কনিংসবিদা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখিবদা হায়খি, মদুদি পার্টনরশিপ অদুনা লৈবাক অসিবু হৌজিক ঐখোয়না মায়োক্নরক্লিবা অনৌবা থ্রেটশিংদগী সেফ ওইহল্লগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ঐখোয় টেক্নোলোজিদা এদভান্স ওইরবা ফাইটর এয়রক্রাফট শাবগী কেপেবিলিটি লৈরবা মালেমগী লৈবাক খরখক্কী মনুংদা অমনি। ষ্টেল্থকী স্প্রিট লৈগদবা, এদভান্স সেন্সরশিং শীজিন্নগদবা অমসুং পাইলোটশিংবু মতেং পাঙগদবা আর্টিফিসেল ইন্টলিজেন্স ফাওবা য়াওগদবা কম্বেট এয়রক্রাফট অমা পুথোকপগী পান্দমগা লোয়ননা লৈবাক অহুম্না থবক তৌবা হৌখ্রে। পুথোক্কদৌরিবা ফাইটর জেট অদু মথৌ তারক্লবদি পাইলোটকী ইনপুট য়াওদনা ফাওবা পাইবা য়াগনি অমসুং হাইপরসোনিক মিসাইলশিং কাপ্পসু ঙমগনি। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা কমপ্লেক্স এয়রক্রাফট অমা শেম শাবা হায়বসি শেল য়াম্না চঙগদবা থবক অমদি ওইগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, এফ ৩৫ জেট দিভলপ তৌবা হায়বসি পেন্টাগোননা হৌজিক ফাওবা পায়খৎখিবা খ্বাইদগী শেল য়াম্না চঙবা প্রোগ্রাম ওইখি। মরম অদুনা বৃটেননা প্রোজেক্ট অসিগীদমক্তা নাইতোম থবক তৌবগী মহুত্তা পার্টনরশিং থীরকখিবনি। হান্নদগী হৌনা বৃটেননা অসিগুম্বা প্রোজেক্টশিংগা ইটালিগা খুৎশম্নদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং হন্দক জপানসু টিম অসিদা য়াওরকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমা ওইগদৌরি।

চাইনাগী মায়োক্তা বৃটেননা ইন্দো-পেসিফিক রিজনগী মীচংশিংগা হেন্না নকশিন্ননবা হোৎনরকপগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি। অতৈ লৈবাকশিংসু প্রোগ্রাম অসিদা হৌজিকসু য়াওবা য়াগনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তৌবগুম ফ্রান্স, জমর্নি অমসুং স্পেনসু মখোয়গী ওইবা তোঙানবা দিজাইনদা থবক তৌমিন্নবা হৌখ্রবনি। য়ুকেগী ওইনদি এগ্রিমেন্ট অসি সেক্যুরিটি খক্কী ৱাফমদা নত্তনা ইকনোমিক্সকী ওইবা ৱাফম অমসু ওইরি।

অনৌবা ফাইটর জেট অমা পুথোকপা অসিনা য়ুকেগী মীওই লিশিং কয়া থবক পীবা ঙমহনবদা নত্তনা অহেনবা খুৎলায়শিং এক্সপোর্ট তৌনবগী লম্বীসু ফাৎলগনি।

# ইরাননা থাউ এক্সপোর্ট তৌবা থিংনবা হোৎনবদা মায় পাক্ত্রে হায়বসি য়ুএসনা য়াজরে

টেহরান, দিসেম্বর ৯ (এজেন্সী):

ইরানগী মতাংদা ৱাশিংতন্না নিংবা কায়রিবসি মরু ওইবা অথিংবা কয়া থমদুনা ইরাননা মপানদা থাউ থাদোকপগী থবকশিং থিংননবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবা অসিননি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ইরানগী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম রাইসিনা ফোঙদোকখ্রে।

রাইসিনা হায়খি, মদুদি ইরানগী মায়োক্তা শাথিরবা অথিংবা কয়া থমখিবা য়েক্লবনা হৌজিক্তিং অথিংবশিং অদু মায় পাক্ত্রে হায়বসি য়াজরে। প্রসিদেন্ট রাইসিনা ৱাফম অসি টেহরান প্রোভিন্সকী রোবাট করিম কাউন্টিদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি। রাইসিনা মখা তারদুনা ইরানগী য়েক্লবশিংনা নিংবা কায়রিবসিগী অতোপ্পা মরম অমদি মখোয়না ইরানবু হিরম কয়াদা মাঙজিল থাবা লৈবাকনি হায়বসি খঙলকপা অসিনি হায়নসু ফোঙদোকখি। য়েক্লবশিংনা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী ইন্দিপেন্দেন্টস অমদি ফ্রিদম চাং তাহন্নবা হোৎনবা ইরানগী মীয়াম্না মায় পাকহল্লোই।

# য়ুএস অমসুং রসিয়ানা জেলদা লৈরিবা বাস্কেটবোল ষ্টারগা আর্মস দিল্লরগা একচেঞ্জ তৌনখ্রে



ৱাশিংতন, দিসেম্বর ৯ (এজেন্সী):

মরু ওইবা খোঙথাং অমদা ৱাশিংতন অমসুং মোস্কোনা প্রিজনর অমমম থাদোক্লদুনা অমগা অমগা খুৎশিন্নখ্রে। য়ুএসনা বাস্কেটবোল ষ্টার ব্রিটনি গ্রিনরবু চহী ১২ চুপ্না আমেরিকাগী জেল অমদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা কনভিক্সন পীখ্রবা রসিয়ন আর্মস দিল্লর ভিক্তর বৌটকা একচেঞ্জ তৌনখি।

দব্লিয়ু এন বি এগী ওফ সিজনশিংদা রসিয়ন বাস্কেটবোল টিম অমগীদমক্তা চহী কয়া শান্নখিবা দব্লিয়ু এন বি এগী ফিনিক্স মাক্যুরিগী চহী ৩২ শুরবা প্লেয়র গ্রিনর মোস্কোগী এয়রপোর্ট অমদা দ্রগ পুরম্বগী মরালদা ফারবা মতুংদা ফেব্রুৱারীদগী ফাদুনা থল্লকখিবনি।

চৈরকসিদা মার্চেন্ট ওফ দেঠ হায়রগা হেন্না খঙনবা বাউট মোস্কো য়ৌরক্লে হায়বসি রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা কনফার্ম তৌখ্রে। য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না হৌখিবা জুলাইদা প্রিজনর একচেঞ্জকী ৱাফম অসি প্রপোজ তৌখিবনি। শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা প্রিজনরশিং একচেঞ্জ তৌনখিবগী থৌদোক অদুদা প্রাইভেট প্লেন অনী চেন্নখি। প্লেনশিং অদুনা গ্রিনর অমসুং বাউটপু মোস্কো অমসুং ৱাশিংতনদগী অবুদাবি এয়রপোর্টতা পুখি অমসুং মখোয়বু মদুগী মতুংদা ময়ুমদা অমুক পুখি।

রসিয়ন ষ্টেট মেদিয়াদা উৎপা ফুটেজতা মীওইশিং অদু মখোয় মখোয়গী টিমশিংগা লোয়ননা এয়রপোর্টকী টর্মেক্তা চৎপা উৎখি। ওবেল ওফিসতা ৱা ঙাঙলদুনা গ্রিনরগী লোইনবী চেরিলিনা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না মহাকপু থাদোকহন্নবা হোৎনখিবা অদুবু থাগৎখি। লোয়ননা ওবেল ওফিসতা মেদিয়াদা ৱা ঙাঙবদা প্রসিদেন্ট বাইদেননা মহাক সেফ ওইরে। হৌজিক প্লেনদা তোংদুনা য়ুম তম্না লাক্লে। মরম চাদনা রসিয়াদা থা কয়া ফাজিন্দুনা থল্লুরবা মতুংদা অথুবা মতমদা ব্রিটনি মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং মনুংশিংগা পুল্লগনি। নুমিৎ অসিগীদমক্তা ঐখোয়না কন্না হোৎনরকখিবনি হায়না বাইদেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইষ্ট কোঙ্গোদা নুপী ১৭ অমসুং অঙাং ১২ য়াওবা মীচম ১৩১ এম-২৩ না হাৎখ্রে

য়ুএন, দিসেম্বর ৯ (এজেন্সী):

হৌখিবা চয়োলদা ইষ্টর্ন কোঙ্গোদা এম-২৩ রেবেলশিংনা নুপী ১৭ অমসুং অঙাং ১২ য়াওনা য়ামদ্রবদা সিভিলিয়ন ১৩১ হাৎখি হায়না য়ুএস স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজকী চীফ স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজরিক্না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা অহেনবা মীওই নিপান নোংমৈনা কাপ্পুনা শোকহনখি অমসুং মীওই ৬০ কিদনেপ তৌবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা নুপী ২২ অমসুং নুপীমচা ৫ রেপ তৌখি।

ভিক্তিমশিং অদু মখোয়গী ৱারোল তান্নবগী মতম অমত্তা তাদবা তৌদনা নোংমৈ অমদি থাঙ শীজিন্নদুনা হাৎখি হায়না ঐখোয়গী কোলিগশিংনা রিপোর্ট তৌরকখি।

দুজরিক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি নোর্থ কিবু প্রোভিন্সকী রুসুরু টেরিটরিগী মনুং চনবা কিসিসে অমসুং বাম্বো ভিলেজশিংগী সিভিলিয়নশিংগী মায়োক্তা নবেম্বর ২৯ দগী ৩০ ফাওবা চথখিবা লম্মন খুম্বগী এটেক অমগী মতাংদা চথখিবা প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসন মতুংদা মুনুস্কা হায়না খঙনরিবা য়ুএন মিশন অমসুং হ্যুমেন রাইটস পার্টনরশিংনা মীশিংশিং অদু কনফার্ম তৌখি। সিভিলিয়নশিংগী মায়োক্তা চথরিবা হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা ভাইওলেন্স অসিবু য়ুএন পিছ কিপ্পিং মিশন্না খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমসুং থৌদোক থোক্লিবা মফমশিং অদুদা মতেং পাঙনবগীদমক চঙথোক চঙশিন তৌবদা অয়েৎ অপন অমত্তা পীদনবা মিশন অসিনা আপিল তৌরি। মীওইবগী হক অমদি ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটরিয়ন লো খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং অসিদা চেন্নরিবশিং অদুগী মায়োক্তা লিগেল প্রোসিদিংস চথবা হৌনবা কোঙ্গোলিস ওথোরিটিশিংনা লৌখিবা ৱারেপ মিশন অসিনা তরাম্না ওকই।

চেন্নবশিংবু জষ্টিস মায়োক্লহন্নবা হোৎনরিবশিংদা মিশন অসিনা মতেং পাঙননবা শেম শারি অমসুং সিভিলিয়নশিংগী মায়োক্তা চথবা ভাইওলেন্স খুদক্তা লেপ্পনবা আপিল তৌরি হায়খি।


MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR: IMPHAL

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE / 411

Dated, the 7th December, 2022

No. MU/3-7/Convo/22/Aca (Conv-XV): In continuation of our notification dated 5th December, 2022 for holding 15th Convocation, Degrees for the following examinations will be distributed

| | |
|---|---|
| 1 | B.Lib/B.P.Ed/BBA/B.Sc. (Nsg)/B.Voc |
| 2 | M.Ch/D.Litt |
| 3 | Hindi Shikshan Parangat |
| 4 | M. Tech. |

Students who are desirous of receiving Degrees have to register online w.e.f. 08-12-2022 at www.manipuruniv.ac.in/convocation. The registration fee is Rs. 1600/- (Rs. 600/- as certificate and gown hiring charges - non-refundable + Rs. 1000/- as gown security deposit - refundable). The gown should be returned immediately after the Convocation and refund of the security deposit may be claimed. The rehearsal of the Convocation and issue of gowns will be notified later in the University website. Please visit the website regularly.

Last date of registration is 18-12-2022.

Sd/- Prof. W. Chandbabu Singh
Registrar

HL/B/7938/9 & 10

CBC 19112/11/0134/2223



নং.-১-২৬০১৭/০৪/ইএসটিটি/০৪/২০২২

ওফিস ওফ ড কম্মান্দেন্ট ১২ শুবা বট্টালিয়ন
ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া / এম ঐচ এ
পি.ও.-মাটলি, উতরকাসি (উত্তরাখন্দ) ২৪৯১৯৩

তারিখ: ২৬-১১-২০২২

ছো কোজ নোটিস

তারিখ ১২-০৮-২০২২ দগী ০৮-০৯-২০২২ ফাওবা নঙোন্দা ১২ শুবা বট্টালিয়ন, আই টি বি পি এফতগী নুমিৎ ১৫ নিগী কেজ্যুল লিভ পীখি। নহাক লিভকী মতম লোইরবা মতুং তারিখ ৮-০৯-২০২২ দা বি ঐচ ক্যু ১২ শুবা বট্টালিয়নদা রিপোর্ট তৌফম থোকপনি। কেজ্যুল লিভকী নুমিৎশিং অসিদা ১৪-০৮-২০২২, ২১-০৮-২০২২, ২৮-০৮-২০২২ অমসুং ৪-০৯-২০২২ অসি নোংমাইজিং নুমিৎশিংনি অমসুং ১৬-০৮-২০২২, ১৮-০৮-২০২২ না রেষ্ট্রিক্টেদ হোলিদেশিংনি অমসুং ১৫-০৮-২০২২, ১৯-০৮-২০২২ না জেনরেল হোলিদেশিংনি। বট্টালিয়ন থাদোক্তুনা চৎপগী জর্নিগী মতম্না ১৩-০৮-২০২২, ১৪-০৮-২০২২, ৬-০৯-২০২২, ৭-০৯-২০২২, ৮-০৯-২০২২ নুমিৎশিং অসিনি। তৌইগুম্বসুং লিভকী মতম লোইরবা ফাওবদা নহাক্না বি ঐচ ক্যু ১২ শুবা বি এনদা রিপোর্টতা তৌখিদে। নহাক তারিখ ৮-০৯-২০২২ (এ এন) দগী কম্পিটেন্ট ওথোরিটি অমত্তগী পার্মিসন য়াওদনা নত্ত্রগা মখোয়দা ইনফোর্মেসন পীবা তৌদনা য়ুনিটকী প্রেমিসেসতগী এবসেন্ট ওইদুনা লৈখি।

২) ১২ শুবা আই টি বি এফকী তারিখ ১২-০৯-২০২২ গী মেমো নং. ৫৪৯৭, তারিখ ২০-০৯-২০২২ গী মেমো নম্বর ৫৪৭৮ অমসুং তারিখ ৬-১০-২০২২ গী মেমো নম্বর ৫৮২০ গী মতুং ইন্না নঙোন্দা য়ারিবমখৈ থুনা বি ঐচ ক্যুদা রিপোর্ট তৌদ্রবদি আই টি বি পি এক্ট-১৯৯৪ গী মখাদা নহাক্কী মায়োক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকনি হায়না খঙহনখি। সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দিষ্ট্রিক্ট-চান্দেল (মণিপুর) (তারিখ ৮-১০-২০২২ গী ওফিস অসিগী লেট্টর নম্বর ৪৯০ গী মতুং ইন্না) দা নহাকপু ফারগা ১২ শুবা বট্টালিয়ন আই টি বি পি এফ মাটলি, উত্তরকাসি (উত্তরাখন্দ) দা শিন্ননবা হায়জবা এপ্রিহেন্সন লেট্টর অমা ইস্যু তৌখি।

৩) হঞ্জিন হঞ্জিন্না পাউ পীবা অমদি রিমাইন্দর কয়া থাদুনসু নহাক্না বি ঐচ ক্যুদা রিপোর্ট তৌরকখিবা নত্ত্রগা হিরম অসিগী মতাংদা পাউ অমত্তা খঙহল্লকখিবা লৈতে। মসিনা ফোর্স অসিগী সার্ভিসতা নহাক্না থৌশাদবা অমদি দিসিপ্লিন লৈতবগী মতৌ উৎলি হায়বদু তাকচরে। নহাক্না দ্যুটি মফমদগী লেপ্তুনা এবসেন্ট ওইবা অসিনা মরম ওইদুনা নহাক্না দ্যুটি মফমদগী মতম শাংনা এবসেন্ট ওইদুনা লৈবগী মরমশিং খঙদোক্লবা আই টি বি পি রুলসকী রুল ১৭১ গী প্রোভিজনশিংগী মখাদা কোর্ট ওফ ইনক্বারি অমা কন্সটিট্যুট তৌখি। কোর্ট ওফ ইনক্বারি বোর্দকী ফাইন্দিংদগী খঙবা ঙল্লে। মদুদি নহাক ফোর্স অসিদা মখা তানা লৈনিংদ্রে। মরম অদুনা তারিখ ৭-১১-২০২২ গী ওফিস ওর্দর নম্বর ৬৪৮৩ গী মতুং ইন্না নহাক কম্পিটেন্ট ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা তারিখ ৮-০৯-২০২২ (এ এন) দগী মখা তানা এবসেন্ট ওইবনা মরম ওইদুনা ফোর্স অসিবু থাদোক্লবা (দিজার্টর) নি হায়না লাউথোকখ্রে।

৪) মরম অদুনা হৌজিক ছো কোজ নোটিস অসি ফঙলবা মতুং নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা বি ঐচ ক্যু ১২ শুবা বট্টালিয়নদা রিপোর্ট তৌনবা নঙোন্দা অরোইবা খুদোংচাবা অসি পীরি নত্ত্রবদি নহাক দিসিপ্লিন লৈতবা অমদি ফোর্স অসিদা মখা তানা থবক তৌনিংদ্রবা মীশক অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা নশা য়াওদনা ৱারেপ লৌরগনি অমসুং নহাক মখা তাবা ইনফোর্মেসন অমত্তা পীবা তৌদনা আই টি বি পিদগী টর্মিনেট তৌরগনি।

কম্মান্দেন্ট
১২ শুবা বট্টালিয়ন আই টি বি পুলিস

নোটিস অসি মখাগী অসিদা থাবনি,
Regt. No. 140530669 CT/GD T.H. Prabin Lamkang
S/O Shri Brogen Lamkang, Vill-Thamla Khuren,
P.O.-Pallel, Teh-Chandel, District-Chandel
State-Manipur, Pin-795135